ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯊꯥꯡꯖ, ꯐꯦꯕ꯭ꯔꯨꯋꯥꯔꯤ ꯱꯱, ꯲꯰꯱꯷, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯰ ꯁꯨꯕꯥ ꯆꯍꯤ, ꯳꯰꯵ ꯁꯨꯕꯥ ꯃꯁꯤꯡ
হুইয়েন লানপাউ
থাংজ, ফেব্রুৱারী ১১, ২০১৭, ইম্ফাল
৪০ শুবা চহী, ৩০৫ শুবা মশীং

# খুন্নাইনা ইন্থোকপীরবিশিং

## *ঙল্লিঙৈদা করিনো অমদি খন্নহৌবা চুমগনি*

***খুল*** অমদা নৎত্রগা লৈকায় অমদা লৈবা মীপুম খূদিংমক মরম মোকপা, হায়না তানবা য়াবা, মথৌ মশক খঙবা মীওই ঙাক্তনি হায়বা য়ারোই। ফরক তাবা মীওই অমা নৎত্রগা ঙাওশিন-ফৈজিন্নবা, মমা-মপা ওইবশিংনা ৱারক-ৱাতেম্বা ঙমদবা মচা কয়াসু য়াওদবা নত্তে। মখোয়গুম্বা মচা অমখক পোক্লুবদা মীয়াম্না ঈকায় খুম্ননা লোয়নবা মমা-মপা কয়া ফত্তবগী লম্বীদা চিংথৈ। ইচা ফত্তে হায়দুনা মঙকশম মেৎলগা হাৎলুবদি য়াবা নত্তবনিনা ইমুংদগী লৈকায়, লৈকায়দগী খুল, খুলদগী অতোপ্পা খুলশিংদা মথং মথং য়ৌরক্তুনা মখোয়না মথোং চাদবা থবক কয়ামরুম তৌরকই। লৈকায় লৈকায়দগী থোরকপা মথোং চাদবশিং পুনশিন্নে অমসুং মখোয় মরুপ-মপাং ওইনা লোয়নরগা ফত্তবা লম্বীদা খোঙদাবা হৌরকই। খ্বাইদগী হেন্না লুরিবা ৱাফম অমদি নুপী অমসুং নুপামচাশিংনা ময়াই কাবা চীঙ্গাক চাশিন-থকচিল্লগা মশাগী ঈকায় খুম্নবা মাঙহঞ্জে। ষ্টেট অসিদা ময়াই কাবা চীঙ্গাক্কী প্রোব্লেম অসি নোংমা নোংমগী হেনগৎলক্লি। মীখল ময়াগা ওইরকপসিদদি অমুক্কা হেন্না থিংবিনবা লৈতনা নহাশিংনা ময়াই কাবা চীঙ্গাক চাবা হেনগৎনরক্লি। ময়াই কাবা চীঙ্গাক কনানা য়োল্লি, করিগী য়োল্লি হায়বা ৱাহংসিদগী হৌরগা মখোয়বু কনানা চৈরাক পীনবা হোৎনরিবগে হায়বসু ৱাহং ওইনা হংবা য়াই। ময়াই কাবা দ্রগ শীজিন্নরিবা মীওই অমা ফারগা মহাক্না চারিবা ময়াই কাবা চীঙ্গাক অদু কদাইদগীনো হায়বা মীৎকুপ অমত্তং ৱাহং পাউহং চথবদা দ্রগ লল্লোনবা মচা-মশু খরদি শোয়দনা ফাবা ঙমগনি। লল্লোনবা মচা-মশুশিং অদু ফাগৎলবা মতুংদা দ্রগ লল্লোনবদা মমিং লৈরবা মীশক কয়ামরুম পুথোকপা ঙমগনি। অদুবু লৈবাক অসিদা থবক তৌরিবা পুলিস পার্সনেলশিংনা দ্রগ লল্লোনবা মীওইশিংগী মথক্তা চত্থবা এক্সন শাথিনা নেমই। অমগা অমগা ইয়াদা য়ানবদৌনা মীয়াম্না উনরকই। মসিনা পুলিস ফোর্সকী মিংচৎ মাঙহল্লকই।

ইম্ফালগী নোর্থ এ ও সী অমসুং মসিগী অকোয়বদা লমচৎ কাম্বা নুপী অমসুং নুপা কয়ামরুম পুলিসনা ইতৎ তত্তনা ফাগৎপগী পাউ তাবা ফংই। খ্বাইদগী নুংঙাইতবা মতৌ অমদা চহী নৌরিবী নুপীমচা কয়ামরুম ময়ুমদা হঞ্জিনবগী মহুত্তা নোর্থ এ ও সীগী লম্বী লমজাওগী মতাইদা অহিং য়ারেকপগী মওং মতৌ অমসু তোয়না উশিল্লক্লে। অয়ুক নুংথিলগী মতমদা মীনা কয়া চঙনদবা লম্মাং অমদা শেম্বা পাখন্দগী নুপা অমসুং নুপী পুন্না থোরকপা মীয়াম্না উনরে। কমদৌনা নুপীশিং অদুনা ময়ুমদা হন্দ্রিবা অমদি অপিকপা পাখন শেমগত্তুনা নোর্থ এ ও সীদা লৈরকপনো হায়বসি নুপী অঙাংগী য়াইফনবা থবক তৌরিবা সিবিল সোসাইটি ওর্গনাইজেসন নৎত্রগা এন জি ওশিংনা নোংমতা ৱাখল থাদরগা য়েংশিনবা উদ্রি। লৈকায় লৈকায়দা মীয়াম্না ওক্তে, নত্তবা চীঙ্গাক চাই হায়দুনা ইন্থোকপীরবী নুপী কয়া অমা ঐখোয়গী খুন্নাই অসিদা লৈরি। মখোয়না লৈকায় অমদা চঙলুবা মতমদা মহাক্কী লমচৎ অদুনা মরম ওইরগা মীয়াম্না ফুবিবনা মরম ওইরদুনা মখোয়গী লৈফম লৈরক্তে। মৱা-মপুরোইবনা ইন্থোকপীবগী মথক্তা নুপী অদুগী ময়ুমদসু চঙহন্দবা নুপী কয়া অমা লৈরি। মণিপুরদা ময়ুম-মকৈ লৈতবা মীওই কনানো হায়না থিবা তারবদি খুন্নাই অসিনা ইন্থোকপীরবা নুপীশিং অসিনি। ময়াই কাবা চীঙ্গাক চাবা নৎত্রগা কনাগুম্বগী পূক্নিংগী অপাম্বা ফংহন্নবা হোৎনবদা মখোয়দা হঙ্গোইবা লৈরক্তে। শম্না হায়রবদা ওক্তবীগী থবক তৌরকই। ময়াই কাবা চীঙ্গাক চাবা অমসুং নুপা-নুপীগী মরক্তা লৈনবা মরীদগী ওইরকপা য়াবা লায়না কয়ামরুম অমদগী অমদা শন্দোক্লবগী মচাক ওইরকই। অদুবু মখোয় খুন্নাই অসিগী শরুক অমনি হায়বসিদি ঐখোয় পুম্নমক্না কাউথোকপা চুল্লোই। মতাং অসিদা পঞ্জনিংবা ৱাফমদি মখোয়বু পুলিসনা ফারগা ঙাইহাক লৈতনা কোর্টতা পুথোক্লগা ফাইন থিহনবা নৎত্রগা কৈশুমশঙদা থাজিনবনা মখোয়গী লমচৎ হোংহনবা ঙল্লোই। খ্বাইদগী লুরিবদি মখোয়বু কমদৌনা খুন্দা লৈতাহনগদগে অমসুং শু-নোম্লগা মশামক্কী মচীঙ্গাক পুবা ঙমগদগে হায়বসিনি। লম অসিদা মীৎয়েং চঙলগা সোসল ৱেলফেয়র দিপার্টমেন্টনবু ওইরবসু, এন জি ওশিংনবু ওইরবসু অসিগুম্বা মথোং হুক্ত্রে হায়রবা লম্বীদা চাক্তারিবী নুপীশিং অসিগী প্রোব্লেম ঙল্লিঙৈ মতমসিদা করিনো অমা খন্নহৌদ্রবদি মশীং য়ামখৎলক্তুনা নোংমা খুন্নাই অসিগী ঈকায় খুম্নবা মাঙলকপা য়াবগী ফীভম লাক্কনি। মখোয়বু নুংশিনা লোয়নবীরগা শিনফম হোংহন্দুনা অফবা লম্বীদা লাকহন্নবা হোৎনবা হায়বসি ঐখোয় পূম্নমক্কী থৌদাং ওইমিন্নসি।

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৪৩

১। "প্রনাম দাদা থানিল / কয়াদি কুইরে পাউ তানদ্রীবা / তৌববুদি সময় সময়গী মতুং ইনবনি।" ৱাহৈশিংসি উপন্যাসকার কনানা ইবা উপন্যাসতগী লৌথোকপনো?
২। "মালংবনা হংলি / মী তিনবা মফমদা / মীগী মনমসু লৈবরা / লৈকোন্দা লৈগী লৈনমগুম।" কবি কনানা হায়বা ৱাহৈশিংনো?
৩। 'নোংমাইজিংগী চিঙদোন্দা' হায়বা শৈরেং লাইরিক অসি অইবী কনানা ইবনো?
৪। জয়দেবগী 'গীত গোবিন্দ' মণিপুরীদা কনানা হন্দোকপগে?
৫। 'য়েন্নীংথাগী ঈশৈ' দ্রামা অসিগী অইবদু কনানো?

ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম ফেব্রুৱারী ১৭, ইরাই নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল hueiyenliteraryquiz@gmail.com সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ।
ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা খুদোলপোৎ পীজগনি।

**হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৪২ গী পাউখুম মঙামক চুম্না থাবীরকখিবশিংদি**

| | | |
|---|---|---|
| ১) | চিরোম সুরজিৎ সিংহ, ময়াং ইম্ফাল বজার | (৫) |
| ২) | *কে মেমী দেবী, ময়াং ইম্ফাল বজার* | *(৫)* |
| ৩) | সনাথোই হাওবিজম, লংথবাল ফুরামখোং | (৫) |
| ৪) | ৱাইরোকপম রিমা দেবী, লিলোং চজিং কোঞ্জেং লৈকায় | (৫) |

**হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ- ৪২ গী ৱিন্নর**

*কে মেমী দেবী, ময়াং ইম্ফাল বজার*

*(দ্রোদা ৱিন্নর ওইখ্রবী)*

**লিটরেরি ক্যুইজ ৪২ গী খুদোলপোৎ লান্থোক্কদবা নুমিৎ অমসুং মফম**

ফেব্রুৱারী ১৯, নোংমাইজিং নুমিৎকী নুংথিল পুং ৪ তাবা মতমদা হুইয়েন লানপাউ ওফিসতা লান্থোকচগনি।

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৪২ গী পাউখুম

১। 'ৱাথোকচাও' ৱারীমচাগী লাইরিক অসিগী অইবদু কনানো?
ঃ- এলাংবম সোনামনি
২। 'গুলাপ্তুগী মখোঙদা' উপন্যাস অসি কনানা ইবনো?
ঃ- ময়াংলম্বম কান্দেশ
৩। 'ইমাগীদমক' কৌবা শৈরেংগী লাইরিক অসিগী অইবীদু কনানো?
ঃ- খ্বাইরাকপম আনন্দিনী
৪। 'কমলাকান্তগী কোর্বেক' হায়না বেঙ্গলীদগী মণিপুরীদা কনানা হন্দোকপগে? ঃ- মাইবম তোলেন
৫। 'খাগী লৈবাক য়ুনান' লমকোয়ৱারী অসিগী অইবদু কনানো?
ঃ- হরেশ্বর গোস্বামী

# অতা অতুগী মমল!

**ৱাইরু ৱাইরুবদা**
**হোঙবা**



***পোল্লিং*** ষ্টেসন অমদা চহী অমদা মী তরা শিবদা চহী মঙাদা মী য়াঙ্খৈ শি। কেন্দ্র অমদা পোল্লিং ষ্টেসন কুন্থ্রা লৈবদা চহী মঙাদা শিবা মী মশীং অসি লিশীং অমা চামঙা শি হায়বা য়ারে।

এম এল এ অমনা চহী মঙাদা শোরাৎ ১৫০০, লুহোংবা লিশীং ২০০০, নাহুৎ-নারেং চনী-চহুম, য়ুম শঙ্গাবা ৫০০, চাউম্বা ১০০, সোষ্টি ৫০০, অশিবা হংবা ২০০ চৎলবদি মাগী কেন্দ্রগী থবক য়াম্না তৌবা চিংলে। কেন্দ্রগী মীনসু ফৈ হায়রে।

মসিগী মথক্তা লাই হরাউবা, লাই চাকলোং কৎপা, মৌ চাক চানবা, লৈশাবী থাবল চোংবা, লৈশাবী চাক চানবা খুদিংগী শেলগী মতেং পাংবা অসিমসু ৱাৎপা নৎতে, অসুম্না কেন্দ্রগী থবক হায়বা তারবদি মসি মঙায়রে। এম এল এ অমনা কেন্দ্রগী থবক করি করি তৌরম্বগে হায়না থিনরকপদা মসিদা হেক্তা তাবনি। লৈকায় অমদা লম্বী কয়লাস থাবা, পুখ্রি তৌবা, নালা শেম্বা, লেত্রিন শাবা, স্কুল শাবা, মৈ পীবা, ঈশিং পীবা হায়বা থবক খুদিংমক অসি এম এল এ নৎত্রগা মিনিষ্টর অমত্তনা মাগী মপৈশানা তৌবা নৎতে মসিদি লৈঙাক্না তৌবনি। ওপোজিসন পার্টি ওইনা কাবা লৈকায়গী লম্বী শেম্বা য়াদে হায়বা আইন লৈবা নৎতে। ঐখোয় মণিপুরগী মীয়াম অসিবু য়াম্না লাইরিক লাইশু হৈত্রিবা চীংলক উরক্তা পঙলৈ লৈবা নৎত্রগা পঙই হায়নরিবা বিহারগী লাইরিক লাইশু হৈত্রিবা মীয়াম অদুগা মান্ননা লৌবীদুনা এম এল এ অমদি মাগী নক্লবা মরোই মনাউ ময়াম অমনা এম এল এ নৎত্রগা মীহুৎ অদুগী লন্নাই ফুরিৎখাউদগী শেল শৎলগা লম্বী থোং শেম্বা ওইনা হেক হেক হায়রি। অদুগা লাইরিক লাইসু য়াম্না হৈরবা ময়াদা মৈ হৌরবা মীনসু থাজরি। মতৌ করম্না লম্বী থোং শেম্নবা শেল লৈঙাক্না কাইথোকপগে হায়বদু মীয়ামদা মীখলগী ৱাঙাঙলোই ময়াম অসিনা য়াম্না মরিক চূম্না শুগাই শুগাইদুনা তাকপীরবদি মীয়ামসু ৱাখল তাজগদৌবা অদুদি নৎতনা মীয়ামগী ৱা ঙাঙলিবা অখঙ অহৈনি হায়দুনা চোঙথোরক্লিবা ময়াম অসিসু অচুম অচুম্বা ৱা হায়গেদি অমত্তহেক হায়দ্রদনা, অপঙবা ময়ামনি খনবীদুনা মখা তানা হেন্না পঙশিন্নবা হীদাক থাবরোমদা ঙাঙলি। মখোয় মশেল পঙহুন্দা হুন্নবা, মশানা মশাবু থাগৎচবা, মীয়াম্বুনা থীবোঙজাউ ময়ামনি খল্লগা চাক পীজবা, য়ু পীথকপা, কম্বল খরা য়েনশিনবা, মৈফু খরা পীশিল্লগা অপঙবা থেল্লগা নমদুনা ভোট থাদহনগদবগী লাক্লরি।

সুম য়েংনরুবদা অসুক কুইরবা ভোট খোম্বগী কৈদা, ভোট থাদবগী কৈদা, চাক চানবগী কৈদা, মৈফু য়েনবগী কৈদা, শেল য়েনবগী কৈদা ইমান মান্নরি। অহোংবা অমত্তা লৈতে হৌজিক, কাখ্রবা মতুংদা মীয়ামগী খল্লক্তবগী কৈদা, শেল চাবগী কৈদা, মীয়াম্বু খল্লক্তবগী কৈদা, অহোংবা অমফাও উদে। ঐখোয়গী মীয়ামসু ঐখোয়গী মীহুৎসু শরূ য়ৌনা তীল চঙবগী ফীভম লাক্লে। মীখলগী মতমদা অওনবা অফবা চাওখৎপা খুন্নাই খুন্নাই হায়দুনা লাউরিবা অসিদি না ওইদ্রবা ৱানি। ঐখোয়গী শ্বাইদা মীখলগী মতমদা করপসনগী ৱা তানীংদে, পোৎ মমল তাঙখৎপগী অৱাবা চঙদে, তানীংদে, হৈনদে, মীওইবগী হক মৱা লৌদে, ঐখোয় হৌজিক সরেন্দরগী মতমনি। চাক্না মরুনি, শেলনা মরুনি। অতৈ লাইনীং চঙদে। য়াম্না লায়থোরকই, পূমকোম কোমথোরকই, শীথরম্বা তারসু থাগৎলকই, পীক্লম্লসু চাউহল্লকই। মীখলমুক লুবা লাই লৈরক্তে।

বেঙ্কতা ক্যু শাংনা লেপহনবা, থাউ ক্যু লেপহনবা, পোৎ মমল তাঙনা তাঙনা য়োল্লিবা, ওইল পম্পতা পেট্রোল চরম মেৎলগা থোঙ্গাল খুদিংদা তাঙনা তাঙনা য়োল্লিবা, ইকনমিক ব্লোকেদ তৌরিবা, চিং তম খাইবুং খাইবুংনরিবা, লোল চাওখৎহন্নীংবা, স্কুল শিথরিবা, পি ডি এস ফেল ওইরিবা, এন আর ঈ জি এ মায় পাক্ত্রিবা, শেঙ্গা থুমজা, ঙমখৈ তুমশিল্লক্লিবা, শেল থুমগী ফীভম নোংমা নোংমগী শোকচিল্লক্লিবা পুম্বা অসি লৈবাক্কী থবক তৌদবদগী থোক্লিবনি হায়বসি খঙগেদি হায়দ্রগা শোরাৎতা লাকপীরম্বা, মঙানি লৈহুন্দা লৈ কৎলবা, লুহোংবা লাক্লম্বা অসিনা লৈবাক্কী কেন্দ্রগী থবক তৌবনি খনগদৌবা ওইরবদি নপথীথাঙ, অতা অতু ওইনা পোকচরগে অদুম। নখোয়সু পোকউ, মখোয়সু পোকসনু মসিনা মতীক হেক চাই।

# লাপ্না উবদা প্রসিদেন্ট ত্রম্প

**নবকুমার ওইনা**



**মালেমসি** কাঙলুপকী ওইনা মুন্নবা মালহল্লিবসি কনা কনানো? কাঙলুপ খুদিংমক্কি হায়বনা চুমগদৌরিবরা? মদু ফাওবা খঙবা ঙমজদবা অপীকপা কাঙলুপ কয়াদি মুন্নবদু য়াওবা ঙমজবা নৎত্রি। মুত্থরবা খরদি হিংলিবরা, মুৎপা লোয়রব্রা হায়বা খঙজবা ঙম্নদ্রিবনি। লমদম অসিমক মদুগী থাক্তা লৈরবনি।

হিংনিংলগা হেক্তা হিংগনি হায়বদি লৈতে, মতম চুপ্পদা লান্থেংনবা অমা চঙই। লমদম অসিদি লান্দু য়াওখিদবা চহী লিশীং ফাজিল্লক্লে। মশা কঞ্জনবা হোৎনবদা, উনাখোইনা তান্নরক্লগা য়ূমদা চেনশিল্লগা হিংলবনি খঞ্জবগী থাক অমদা লৈরিবনি। মশক-মমিং, লৈফমগী মিং, লাইনীংগী মমিং অমত্তা চুম্বা নৎত্রবনি। হিংজনবগী ৱা ঙাঙবা লায়রি, হিংমিন্নগদৌবগী মিং পুথোকপা ঙমজদ্রি, মিং ৱায়রি।

অসিগুম্বা লমদম অমদা প্রসিদেন্ট ত্রম্পগুম্বা অমগী থৌনা লিংজেল নৈনফম থোকই। আমেরিকাগী শিংকুপ শানা খঙলুবদি ঙম্নদে। তারিবা পাউ অসিদগী থৌনা লৈরবা প্রসিদেন্ট অমগী লাল্লোং ঔরায়বা য়াগনি খল্লি। আমেরিকা কনগনি হায়বদা ভোট কাখিবনি। লৈবাক অদুদসু কাঙলুপ ময়াম লৈরিবনি। ত্বিন টৱার থুগায়খ্রবনি, মথৱায় নুংঙাইতবা মীয়াম অমা লৈরিবনি। মদুদগী কঞ্জনবা মীয়াম অমগী ঈহৌ শাগৎনরকপদা ৱাখল খেন্নবা কয়া লৈফম থোকই। আমেরিকা কনবগী ৱাশু ৱাফম কয়া থোক্লকই। লাইনীংগী য়েক্লবা, কাঙলুপকী য়েক্লবা, ইকনমিগী য়েক্লবা, লৈঙাক্কী য়েক্লবা, খূৎলায় চাংদম্নবগী য়েক্লবা কয়া শাগৎনরক্লবা মতমসিদা ঙসি আমেরিকাসি করম্বা থাক অমদা লৈরবগে? ঙাঙবা কনবা, পৈশা খোমজিনবদি কনবা, অকল-অরিঙ শিঙবা কাঙলুপশিংনা মালেমগী মীয়ামসি পুনিংবা মায়কৈদা পুনবা হোৎনরকপা, মীনুংশি খঙদনা মী হাৎনরকপা অসিদগী কন্নবা অচৌবা থৌদাং লৌরিবা লৈবাক অমনি হায়গনি। লান মায়োক্লবা ঙমজদ্রবা মীয়াম অমগী মহুৎ শিন্দুনা লান্থেংনবা হায়বসি শিংথানদবা য়াদবা ৱাফম অমনি। ত্রম্পনা পুটিনগা লেংগোন্নরকপা হায়বসি মালেমগী শক্তমদা অহোংবা লাকপা য়ারিবা ৱাফমনি। মালেমসিদা মীওইবনা হিংলিবসিগী ৱাহন্থোক লৈনা হিংমিন্নবগী ৱাফম পুথোক্লরবসু লমদম অসিদসু চৈনা-চৈথেংদু য়ৌরক্তবা নৎত্রে। অসিগুম্বা চক অমদা আমেরিকাগুম্বা লৈবাক অমগী ৱাথোকশিং অসি ঔরাইবগী তঙাইফদবা লাকই। অপীকপা ফুরুপ, য়োৎহিংনা চাথৎপা লোয়রক্লবা লমদম অসিদা হিংবা ঙমজনবা খল্লিবা মীওই খরগী লৌশিংদা করিবু খনবা ঙমজরবগে হায়বসি য়েক্লবদগীসু পাড়া তম্বা তারকই।

অরোয়বা লৈবাক খরদা থাউ থোক্লম্বনা পৈশা পায়বা ময়াম থোক্লকখি। মহৌানা পীবা থাউদগী লান থোক্লকই খন্নরম্বনি, ঙসিদি কাঙলুপকী লান তৌনরক্লে। লৈবাক মচা তানা, ঈংনা পাল্লম্বা মালেম পূম্লাং লাংলে, লাইনীংনা করিসু তৌবা ঙমদ্রে, লাইনীং মান্নদবশিং হাৎনরক্লে। লাংফম অসিদা থুরবা মীওইবা খুন্নাইনা করি তৌবা তারি। নিঙায় তৌবশিংনা অনিংবা অপাম্বা তৌবদা নোংমৈ-তোপ-মিসাইল শীজিন্নরকপা হৌরক্লে। মদু মায়োক্লবা ঙম্নবা থৌদাং লৌবসু অরায়বা ওইদ্রে। মীকিথিশিংনা য়েৎপা নত্তে, লমহেন-তুহেনবশিংনা তকশিল্লকপনি, আমেরিকাদা মীতোপ চঙবা থিংগনু হায়বসি হায়রিবা মীয়াম অমগী অপাম্বনা করিনো, তৌবা ঙম্বনা করি ওইরিবনো ময়েক শেংনা উবা ঙম্নরবরা? ত্রম্পনা করিবু খল্লিবা, করিবু তৌবা তারিবা? লাংলিবা ময়ামসিদি ৱাৎপু ৱাৎলি, ভোট কাহৌদ্রবা পার্টিগী মীসু মশীং য়ামখ্রপোৎনি। মীতোপ চঙলকপা পাম্বা হায়বসি ভোট কানবা প্লোট তৌবা ওইরিবরা খরা খরা চুম্বা ওইরবদি লমদম অসিদসু ভোট কাবা ঙম্নবা মীতোপ হোঞ্জিল্লকপগী ৱা লৈরিবসিগা চপ মান্নরকই। মীতোপ চঙহল্লোই হায়বা ঙম্বশিং ভোট কাবা য়ারিবনি। লুরিবদি ভোট পীরিবশিংনা পৈশাদা ভোট য়োন্থোকপসিনি। লমদমসি মুন্না খঙদ্রিবসি ভোটরশিংনা ওইফম থোকই। মীয়ামসিবু নুংশিবা, লৈবাকসিবু নুংশিবা, লৈবাক পুম্লাং লাংহনবা ঙম্বা লুচিংবশিংসু ভোটতদি তুমিন্না লৈনখি। পৈশা খুনবা য়াওনখিব্রা খঙবা নত্তে। মতম অসিদা ত্রম্পগুম্বা লীদর অমা থোক্লকপা পাম্নগনি। লুরক্লিবসি লমদমসিগী মীয়ামসি অয়াম্বা লীদর মাল্লকপা, লীদরগী শাজৎ চৎনরকপা তারবদি লীদরশিংগী লীদর খনবসু লুরকপা অদুনি। লীদরদি লাইনা থারক্কদৌবা নত্তে। লীদরশিংগী লীদর ওইবা ঙম্নদবদুনি, লীদরগী কোক য়াওদ্রবদি লীদর ওইবা ঙম্নদবদুনি, লীদরদা থাজবা থম্বা ঙম্নদবশিংগীদি লীদর হায়বদু শুক্লে লৈরোই। লায়না অসিদি ক্রোনিক ওইরবনি, চহী লিশীং নারক্লবনি, ঈদা-তোংদা, শাজৎতা নপতুনা লৈখ্রবনি। অনাবশিংগী মরক্তা এটোম বোমগুম্না নাগা-বোম তাশিল্লকখ্রবনি। হিরোসিমাগুম্না শেমগৎপা ঙমখিরোয়। থবক শুনিংদবশিংনা ইরোয়বা মঙম শানবা হৌনদে, তনবদু তোক্তুবদি ইরাক্নদুনা শিবদি শোয়দ্রবা ৱানি। হিংমিন্নবগী ৱা লৈত্রি।

ত্রম্প হায়বসি মী অমখক ওইনা উবদু নত্তে, য়েংবা য়ারিবসি মীওইবা খুন্নাসগী ফিরাল পায়বা লাম্মী অমনি। পরেং অনীনি, অমনা পুটিননি। ত্রম্প ইরা হায়না মালেম শিনবা থুংনা শণে দাক্লিবা পাউশিংদা ঈরৈ ওইনা চেন্থরিবা ৱাফমসি মীওইবা খুন্নাইগী লৈখায় তাবা ঙম্বা-ঙমদবা হায়বা ৱাখল্লোন অদুমসু য়াওরিবনি। লাইনীংদা য়ুম্ফম ওইরগা য়েৎনবা তারবদি লাই ওইনা লৌনরিবা মীওইপোক ওইনা পোকখিবশিংগীসু অশোয়বা অরানবা থোক্লক্কদৌরি। মদুদা থাজদুনা চৎলিবা মীয়াম পুম্নমক লাল্লক্কদৌরি। লাইনা হায়রম্বসি মী খরগীনি খল্লিবশিং পুম্নমক লাল্লি। তাইবঙদা লৈরিবা মী, শা-ঙা, থৱায় পানবশিংগী ৱা হায়রম্লগা মীওই কাঙলুপ অমত্তগী ওইনা লৌবা হায়বসিমক লাল্লি। লাল্লিবা মীয়াম্না অচুম্বা শাবসু লাল্লি। ৱাফম অনৌবা অমগীদি মেজোরিটি হায়বসু লাল্লি, অপঙবশিংদা মেজোরিটি হায়বসু লাল্লি। য়ান-য়ানবা চৎলুবগী ৱাথোক লাক্লবা মতমদসু য়ান-য়ানবা হায়বসু লাল্লি। অচুম্বা অদু করিনো ওইগদৌরি হায়বা খঙদবসিসু লাল্লিবা অমনি। লান্না লান্না অচুম্বা শাবসু লাল্লিবনি। ঙসিগী ৱাথোকশিং অয়াম্বা লাল্লিবশিং অসিগী মনুংদা লৈবা ওইগদৌরি।

কনানা অচুম্বা খঙগদৌরিবসিবু। মালেমসি পূন্না, নুংঙাইনা লৈবা য়ানবা খন্নবদুনি। ঐনা ঐনা পঙনুংদা নুঙাইনা লৈরগা লোইরে হায়বদু নত্তে, মী-শা-ঙা পুম্নমক নুঙাইনা লৈবা অদুনি। মিৎয়েং অনীসি খেন্নবদগী মালেমদা ৱাথোক কয়া ওইরকপনি। তনবদগী, পঙবদগী ওইরবসু মীয়ামসি পূন্না লৈমিন্নবগী ৱাখল অদু য়াওদ্রবদি লাল্লিবসি মহাক্লি হায়বসিদং খঙহনবা তারকপনি। মাসু অদুমক চুম্মী হায়না লৈবসি ৱাখলগী লায়না ওইরিবনি। মসিমক ৱাথোক্কী মরুনি।

পূন্না লৈমিন্নবা তারবসু ৱাথোক শাগৎনরক্লবদি ৱাথোক থোক্তনবা ৱাথোকশিং চঙহন্দবা তারকপনি। লমদম অসিগী পোত্থোক কয়া য়াম্না লৈরদুনা মীয়াম অমা চঙলকপা থিংলোইদৌরিবনো? থিংবা য়াদে হায়বা লোদু লমদম অসিমক মুন্নবা লোনি, মীয়াম অসিবুনা মুত্থৎনবা লোনি, মী অরিবদু মী অনৌবনা শিনখিবা তারকপদুনি। মী অপঙবশিংদি নিঙায় কনবশিংনা হুমদুনা পুখিবা তারকপদুনি। মিৎ পাঙবা তল্লগনা তূম্বা হৌরকপদা য়ূম ইঙ্খোলদুদা নত্তে ফমুংদসু লৈরল্লোইদৌরিবনি। খ্বাইদগী পঙবসি অশিংবা শারগা ৱা ঙাঙবা হৈতবশিং ঐখোয়নি। থবক তৌগদৌবদু হৌবসু ঙমদ্রিবনি। ৱাখলদা লৈখায় তাদনা করিবু তৌগদৌরি। তৌগদৌবদু তৌবদা মীয়াম অমনা ঙাঙলবসু তৌবা তাবনি হায়বসি ত্রম্প ইরাগী ভোইস অমা ওইরক্লি। মদু ফাওবা নমথনবা টেরোরিষ্টশিংগী লাল্লোং লৈরবদা লমদম অসিদদি ষ্টেট টেরোরিষ্ট হায়বা অমসু লৈরবনি হায়নরিবা লায়না কয়ানি।

লৈঙাক পায়বা ত্রম্পনা লৈবাক কনবগী লাঞ্জং হৌই। লমদম অসিগী লৈঙাক পায়বশিংগা কয়াদা খেন্ননা উরিবা। পঙলবসু লাউবা ফাওবদি ঙমজবা মীয়ামসিগী মরায়বক কয়া থিরবনো। ত্রম্পগুম্বা লুচিংবা লৈজদবা খুন্নাই অসিগী লাইবক তম্বা ঙমদ্রে, মুৎখিবদা তারে। হায়নরিবা ঙাঙনরিবসি তারিবা মীয়াম্না করি খল্লি, করি তৌগনি। মীখলদা ঙাওদুনা লৈগদৌবদি নত্তে। মীখলদুগী ৱাখলদা ঙাওবদি চুম্মী। পৈশা চাবদি মীয়ামনি, মীয়ামগী মরক্তগী পৈশা চাবা মিনিষ্টর থোক্লকপনি। পৈশাগীদমক হিংবদি নত্তে।

ত্রম্প শৌগৎপশিং য়াম্না লাংদে। লম্বী সরক থিংবমখৈ লাংলিবসি মী য়াম্বগী নত্তে। মখোয়গী অরানবা ৱাখলদু অচুম্বা শাবা ঙম্নবা লাংলিবনি। ৱা ইঙাঙ ঙাঙদনা তৌগদৌবদু তৌবা ঙম্বা ফম্নাইবা অদুনা ত্রম্পতগী তম্বা য়াবা পাড়া খরদি লৈগনি খল্লকই।